# য়ুহা হাবদগী টর্কি অমসুং সিরিয়াদা শিখিবা মী মশিং ১১,০০০ হেল্লে ভিক্তিমশিং হিংনা ফঙগনি হায়বগী থাজবা লৈরক্ত্রে

অঙ্করা/দমাস্কস, ফেব্রুৱারী ৭ (এজেন্সী): চয়োল অসিগী অঙনবদা মেগ্নিট্যুট ৭.৮ য়ৌনা হাখিবা অকনবা য়ুহানা টর্কি অমসুং সিরিয়াদা শিখিবা মী মশিং য়ুমশকৈশ নুমিত্তা ১১,০০০ হেনখিবগা লোয়ননা চহী তরা হেনবগী মনুংদা থোক্লকখিবা খ্বাইদগী শাথিবা য়ুহা অদুনা মাঙ তাকহনখিবা বিল্ডিংশিংগী অকায় অতোইশিংগী মরক্তা অহিংবা মীওইশিং লৈরমখিগনি হায়বগী থাজবা লৈরক্ত্রে হায়রি।

ওথোরিটিশিংগী মতুং ইন্না লৈবাক অনীমক্তা নিংথম থাগী পাক্তক্লনা উন তাবা অমসুং কা হেন্না ইংবগী ফিভম লৈবদগী রেস্ক্যুগী থবকশিংসু লূশিল্লক্লে। অনাদোলু ন্যুজ এজেন্সিগী রিপোর্ট মতুং ইন্না টর্কিগী দিজাষ্টর এন্দ ইমর্জেন্সি মেনেজমেন্ট প্রসিদেন্সি (এ এফ এ দি) না মসিগী খ্বাইদগী নৌবা অপদেটতা শাথিরবা য়ুহা অদুদা শিখিবা মী মশিং হৌজিক ৮,৫০০ হেল্লে অমসুং অশোকপশিংগী মশিংনা ৫০,০০০ রোম শুরে।

ছর্স অমসুং রেস্ক্যু টিম ৯৬,৬৭০ হেনবনা হৌজিক ফিল্ডদা মখোয়গী থবকশিং পাঙথোক্লি। টর্কিজ ফোরেন মিনিষ্ট্রিগা নিগোসিএসন চথবদগী



অতৈ লৈবাকশিংদগী মতেং পাঙনবা লাক্লিবা পর্সনেল ৫৩০৯ দিজাষ্টর এরিয়াদা থাখ্রে। রেস্ক্যু টিমশিংদা নত্তনা য়ুহাগী চৈথেং নঙলবশিং অদুদা ব্লাঙ্কেটশিং, টেন্টশিং, চান থক্লবা পোৎলমশিং অমসুং সাইকোলোজিকেল সপোর্ট টিমশিংসু থাখ্রে।

এ এফ এ দিনা হায়রি, মদুদি য়ুহা অদুদা হিংহৌবা মীওইশিং লৈহন্নবা পুন্না ফেমিলি ১০,৭০,৮১৮ শেমগৎখি। এক্সকার্বেটরশিং, ট্রেক্তরশিং অমসুং দোজরশিং য়াওনা গাড়ী ৫,৪৩৪ দিজাষ্টর এরিয়াদা থাজিনখ্রে। দিজাষ্টর জোনদা অহেনবা মতেংশিং থারক্লবা টর্কিজ গভর্ণমেন্টদা তকশিল্লকপশিংগী মরক্তা প্রসিদেন্ট রিসেপ টায়িব ইর্দোগাননা কাহারা মনমরাজতা লৈরিবা টেন্ট সিটিদা চৎতুনা মফম অদুগী ফিভম য়েংশিনখি। ময়ুম মকৈ থাদোক্তুনা চঙজফম থীরিবা মীওইশিং মফম অদুদা লৈহল্লিবনি। লৈরিবা ইমর্জেন্সিগী ফিভম অদুগা গভর্ণমেন্টনা লাংলিবা অমদি থারক্লিবা মতেংশিংগা চান্নদ্রবসু য়ুহা অদুগী রেস্পোন্সতা অৰাৎপা অমত্তা লৈহল্লোই অমদি অৰাবা নঙলবা মীওইশিং মথোং মরম খঙদনা লন্মীশিংদা হুন্দোক্তুনা থল্লোই হায়খি।

মালেমগী মফম কয়াদগী তেঙবাংগী পোৎলমশিং লেপ্তুনা থানরক্লিঙৈ মরক্তা লৈবাক ২০ হেনবদগী লাকখিবা ছর্স টিমশিংনা লোকেল ইমর্জেন্সি পর্সনেল লিশিং কয়াদা মতেং পাঙখি।

জর্নেলিষ্ট ওজেল পিকালগী মতুং ইন্না টর্কিজ সিটি মালাকয়াদা অশিবা হকচাংশিং ব্লাঙ্কেটশিংনা কুপশিল্লগা লৈমায়দা পরেং ওইনা থম্মী। রেস্ক্যুয়রশিংনা ফ্যুনরেল ভেহিকলশিং ঙাইদুনা অশিবশিং অদুবু হাপকৎনবা শেম শাদুনা লৈনখি। চহী তরা হেন্না সিভিল ৱার থোক্তুনা লাকখিবা সিরিয়াগী হন্দক্কী য়ুহা অদুনা খ্বাইদগী হেন্না শোকহনখিবা লমদম অদুদা কদায় ফাওবা মীশি মীনা থোক্লবগে হায়বসি চপ চানা খঙনবা হোৎনবদা অৰাবা ওইরে হায়রি।

বোর্দর লমদম অদুদা লৈরিবা সিরিয়নশিংনা টর্কিদা চেনশিন্দুনা শৈদাংফম থীনখি। বিল্ডিং লিশিং কয়া নিংখায়খিবগা লোয়ননা মীওই কয়া য়াম্না হৌজিক অকায় অতোই মরক্তা লৈরিবগে হায়বসি শেংনা খঙবা ঙমদ্রি। সিরিয়ন হেল্ঠ মিনিষ্ট্রিগী মতুং ইন্না গভর্ণমেন্টনা কন্ট্রোল তৌবা মফমশিংদা য়ুহা অদুনা মরম ওইদুনা শিখিবা মী মশিং ১২০০ হেল্লে। য়ামদ্রবদা মীওই ১৪০০ রেবেলশিংনা কন্ট্রোল তৌবা অৰাং নোংচুপ থংবা লমদমদা শিখি।

এইদ এজেন্সিশিং অমসুং রেস্ক্যু ৱার্করশিংগী মতুং ইন্না অকায় অতোই মরক্তা মীওই কয়া ফুমদুনা লৈরিবা ওইবনা অশিবশিংগী মশিং হেনগৎলকপা য়ানা লৈ। টেম্পরেচর হৌখিবা নুমিৎ খরনি অসিদা নেমদুনা লাক্লবা মফমশিং অদুদা মখা তানা হন্থরকখিগনি হায়না ফোরকাষ্ট তৌখ্রে হায়রি।

# চাইনিজ স্পাই বেলুনশিংনা ইন্দিয়া য়াওনা লৈবাক কয়াদা টার্গেট তৌখি: রিপোর্ট

ৱাশিংতন, ফেব্রুৱারী ৮ (এজেন্সী): চাইনানা ইন্দিয়া অমসুং জপান য়াওনা লৈবাক কয়াদা টার্গেট তৌদুনা স্পাই বেলুনশিংগী ওইবা ফ্লিট অমা ওপরেট তৌদুনা লাকখি হায়না মেদিয়া রিপোর্ট অমনা হায়রি।

য়ুনাইটেদ ষ্টেটকী সেন্সিটিব ওইবা ইন্সটোলেসনশিংগী মথক্তা পাইরকখিবা চাইনিজ সর্ভিলেন্স ক্রাউদ অমা য়ুএস মিলিটরিনা কাপথখিবা মতুং নুমিৎ খরনি লৈরগা রিপোর্ট অসি ফোঙলকপনি।

হৌখিবা থাংজ নুমিত্তা সাউথ কেরোলিনাগী সমুদ্র খোঙবানগী মনাক নক্লা এটলান্টিক ওসিনদা ফাইটর জেট অমনা কাপথখিবা চাইনিজ সর্ভিলেন্স বেলুন অদুগী অকাই অতোইশিংগী মরমদা য়ুএস ওফিসলশিংনা ইন্দিয়া য়াওনা মসিগী মরুপ মপাং ওইবা লৈবাকশিং অমসুং মীচংশিংদা ব্রিফ তৌখ্রে।

নিংথৌকাবা নুমিত্তা দিপ্যুটি সেক্রেটরি ওফ ষ্টেট ৱেন্দি সর্মেননা হিরম অসিগী মতাংদা এম্বেসি ৪০ রোমগী ওফিসলশিংদা ব্রিফ তৌখি।

ৱাশিংতন পোষ্টকী রিপোর্ট অমনা হায়, চহী কয়ারোম চাইনাগী খা থংবা কোষ্টকা নক্লবা হাইনান প্রোভিন্স অমদি অতৈ মফম খরদগী ওপরেট তৌরকখিবা সর্ভিলেন্স বেলুন কয়ানা লৈবাক কয়াগী মিলিটরি এসেটশিংগা মরী লৈনবা ইনফোর্মেসন কলেক্সন তৌখি। চাইনানা টার্গেট তৌরিবা লৈবাকশিংগী মনুংদা বৈজিংগী ষ্ট্রেটেজিক ইন্টরেষ্টনি হায়না লৌনরিবা জপান, ইন্দিয়া, ভিএটনাম, টাইৱান অমসুং ফিলিপিন্স য়াওরি।



ৱাশিংতন পোষ্টকী রিপোর্ট অদু মশক মমিং তাকথোক্তবা দিফেন্স অমসুং ইন্টলিজেন্স ওফিসলশিংগী ইন্টরভিয়ুশিংদা য়ুম্ফম ওইবনি হায়রি।

ওফিসলশিংনা ফোঙদোকখিবদা পি এল এ (পিপলস লিবরেসন আর্মি) এয়র ফোর্সনসু ওপরেট তৌখিবা সর্ভিলেন্স এয়রশিপশিং অসি কন্টিনেন্ট মঙাদা দিটেক্ট তৌখি। বেলূনশিং অসি সর্ভিলেন্স ওপরেসনশিং কন্দক্ট তৌনবা শাখিবা পি আর সি (পিপলস রিপব্লিক ওফ চাইনা) গী বেলূনশিংগী ফ্লিট অমগী মনুং চল্লি। পি আর সিনা অসিগুম্বা বেলূনশিং শাদুনা লৈবাক কয়াগী এয়র স্পেসতা থাজিনবা হায়বসি লৈবাকশিং অদুগী সোভরেন্টি খোঙ্গাওনবনি হায়না সেনিয়র দিফেন্স ওফিসল অমনা ফোঙদোকখি।

ৱাশিংতন পোষ্টকী মতুং ইন্না হৌখিবা চয়োলদা ট্রেক্কিং তৌখিবা বেলূন অদুদা নত্তনা হন্দক চহী খরা অসিদা য়ুএসকী হৱায়ি, ফ্লোরিদা, টেক্সাস অমসুং গুৱামগী নোংথক্তসু য়ামদ্রবদা বেলূন মরি দিটেক্ট তৌখি।

# ফিনলেন্দ, স্বিদেনসু য়ুহাগী চৈথেং নঙলবা টর্কি, সিরিয়াদা তেঙবাং থারগনি

হেলসিনকি/ষ্টোকহোল্ম, ফেব্রুৱারী ৮ (এজেন্সী): ফিনলেন্দ অমসুং স্বিদেননা শাথিরবা য়ুহাগী চৈথেং চাওনা নঙলবা টর্কি অমসুং সিরিয়াদা তেঙবাং থারগনি হায়না গভর্ণমেন্ট অনীনা ফোঙদোকখ্রে।

ফিনলেন্দগী মিনিষ্ট্রি ওফ ফোরেন এফিয়র্সনা ষ্টেটমেন্ট অমদা হায়, ফিনলেন্দনা ইন্টরনেসনেল ফেদ্দরেসন ওফ রেদ ক্রোস এন্দ রেদ ক্রেসেন্ট সোসাইটিস (আই এফ আর সি) গী খুত্থাংদা য়ুহাগী চৈথেং নঙলবা লৈবাক অনী অসিদা য়ুরো মিলিয়ন ১ (দোল্লর মিলিয়ন ১.০৭) গী হ্যুমেনিটেরিয়ন মতেং থারগনি। শেনফম অদু য়ুহা অদুনা মরম ওইদুনা ময়ুম মকৈশিং মাঙ তাকখ্রবা লৈবাক অনীগী মীওইশিংগী চান থক্লবা পোৎলমশিং, সেল্টর, মেদিকেল সপ্লাই অমসুং সাইকোলোজিকেল সপোর্টশিংদা শীজিন্নগনি।

স্বিদেস গভর্ণমেন্টনসু লৈবাক অনীদা অহেনবা স্বিদেস ক্রোনোর মিলিয়ন ৩০ (দোল্লর মিলিয়ন ২.৮) থারগনি হায়না লৈবাকপোকপা নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে। শেনফম অসিগী মনুংদগী ক্রোনোর মিলিয়ন ২০ আই এফ আর সিগী খুত্থাংদা দিষ্ট্রিব্যুট তৌগনি অমসুং অরেম্বদুনা য়ুনাইটেদ নেসন্স সেন্ট্রেল ইমর্জেন্সি



রেস্পোন্স ফন্দ (সি ই আর এফ) তা ট্রান্সফর তৌগনি। স্বিদেননা য়ুহাগী চৈথেং নঙলবা লৈবাক অনীদা ক্রোনোর মিলিয়ন তরেৎ থাননবা নিংথৌকাবা নুমিত্তা ৱারেপ লৌখ্রবনি।

ফিনলেন্দগী মিনিষ্টর ফোর দিভলপমেন্ট কো ওপরেসন এন্দ ফোরেন ট্রেন বিল্লি ষ্টিনারিনা গভর্ণমেন্ট ষ্টেটমেন্ট অমদা হায়খি, মদুদি য়ুহা অদুনা লমদম অদুদা অৰা অনা অমদি অমাঙ অতা থোকহল্লিবদু খাঙবা ঙম্বগী ৱাংমদনি। মখা তানা আফটর সোকশিং থোক্লক্কদ্রা হায়বগী অকিবা অসিনসু মীয়ামদা হেন্না মীপায়বা পোকহল্লে। ফিনলেন্দনা দিজাষ্টর অদুনা শোকহল্লবা মীওইশিংবু থুনা মতেং পাঙবা পাম্মী। আই এফ আর সিগী টর্কিজ অমসুং সিরিয়ন টিমশিংনা চান থক্লবশিং পীবা, ইমর্জেন্সি সেল্টরশিং ফঙহনবা য়াওনা গ্রাউন্দদা অৰাবা তারবশিংবু মতেং পাঙবা হৌখ্রবনি। ফিনলেন্দনা মখোয়গী থবক অদুদা মতেং পাঙবা পাম্মী। স্বিদেননা পীগদৌরিবা মতেং অদু চান থক্লবা পোৎলমশিং, টেন্টশিং, ব্লাঙ্কেটশিং, ব্লদ অমসুং ব্লদ প্লেসমাদা শীজিন্নগনি হায়না লৈবাক অসিগী মিনিষ্টর ফোর ইন্টরনেসনেল দিভলপমেন্ট কো ওপরেসন এন্দ ফোরেন ট্রেদ জোহান ফোরসেলনা ফোঙদোকখ্রে।

# রসিয়ানা লান্দাখিবদগী অহানবা ওইনা য়ুক্রেনগী জেলেন্সকি য়ুকেদা চৎলগনি

কিভ, ফেব্রুৱারী ৮ (এজেন্সী): রসিয়ানা চহী অমরোমগী মমাঙদা লান্দাবা হৌখিবদগী অহানবা ওইনা য়ুক্রেনগী প্রসিদেন্ট বোলোদিমির জেলেন্সকিনা য়ুমশকৈশ নুমিত্তা বৃটেনদা খোঙচৎ অমা চৎলগনি।

খোঙচৎ অদু লান মনুংদা য়ুক্রেনগী ৱাংমদা চৎপা মহাক্কী অনীশুবা খোঙচৎ ওইরগনি হায়রি।

বৃটিস গভর্ণমেন্টনা হায়রি, মদুদি জেলেন্সকিনা পিএম রিসি সুনাক্কা ৱারী শান্নগনি অমসুং পার্লিয়ামেন্টতা ৱা ঙাঙবগা লোয়ননা য়ুকেগী মিলিটরি চীফশিংগসু উন্নগনি। য়ুকে অসি য়ুক্রেনগী খ্বাইদগী চাওবা মিলিটরি বেক্করশিংগী মনুংদা অমনি। য়ুকেনা হৌজিক ফাওবদা য়ুক্রেনদা পাউন্দ বিলিয়ন ২ (দোল্লর বিলিয়ন ২.৫) হেনবগী লানগী খুৎলায়শিং থাখ্রে।

বৃটেননা য়ুক্রেনিয়ন পাইলোটশিং নাটো-ষ্টেন্দর্দ ফাইটর জেটশিংদা ট্রেন তৌরগনি হায়না সুনাক্না লাউথোকখিবগা ইরোয়ননা য়ুক্রেনিয়ন লিদর অসিনা বৃটেনগী খোঙচৎ অসি পাঙথোক্কদৌরিবনি।

য়ুক্রেননা মসিগী মীচংশিংদা রসিয়াগা শোক্নরিবা লান অদুদা শীজিন্ননবা ফাইটর জেটশিং থারক্ল বা তকশিনখ্রবসু য়ুকেগী ওইনদি য়ুক্রেনিয়ন মিলিটরিদা বৃটিস ৱার প্লেনশিং পীদুনা মতেং পাঙবা হায়বসি থবক ওইনা পাঙথোকপদা লুনা থোকই হায়না ফোঙদোকপা লৈখ্রবনি। য়ুক্রেনিয়ন ট্রুপ ১০,০০০ হেন্না য়ুকেগী বেজশিংদা ট্রেনিং পীবসু লৈখ্রে। ট্রুপ কয়া অমা বৃটেননা হৌজিক হৌজিক থারিবা চেলেঞ্জর ২ টেঙ্কশিং শীজিন্নবগী ট্রেনিং পীখি।

প্রাইম মিনিষ্টর সুনাক্না হায়খি, মদুদি বৃটেননা য়ুক্রেনিয়ন লান্মীশিংদা পীরকখিবা ট্রেনিং হেন্না চাওথোকহন্দুনা মেরিনশিং অমসুং ফাইটর জেট পাইলোটশিং ফাওবা য়ৌহনগদৌরিবা অসিগীদমক্তা ঐহাক্না চাওথোকচৈ। খোঙথাং অসিনা য়ুক্রেনগী মিলিটরিবু অকন অরিং শিংবা ফোর্সশিংদগী মরৈবাকপু হেন্না মতিক ময়াই চেন্না ঙাকথোকচবা ঙমহল্লগনি। মসিনা অতেনবা মতমগী ওইনা মিলিটরি ইক্কিপমেন্ট পীবা হায়বা ঐখোয়গী কম্মিটমেন্ট অসি ঙাকপদা নত্তনা লাক্কদৌরিবা চহী কয়া অসিদসু য়ুক্রেনগীদমক্তা ঐখোয়না খোঙফম হোংদনা লেপকনি হায়বদু উৎলগনি।

পনবা য়াবদি, রসিয়ানা লান্দাবা হৌখিবা মতুং চয়োল অনী কান্নরগা হৌখিবা চহীগী মার্চতা জেলেন্সকিনা ভিদিও এদ্রেসকী খুত্থাংদা য়ুকেগী পার্লিয়ামেন্টতা ৱা ঙাঙখ্রবনি।

# গভর্ণমেন্টগী পেন্সন রিফোর্ম প্লানগী মায়োক্তা ফ্রান্সতা প্রোটেষ্ট লেপ্তুনা চত্থরি

পেরিস, ফেব্রুৱারী ৮ (এজেন্সী): মীওই ৭৫৭,০০০ ফ্রান্সকী লন্মীশিংদা থোক্লক্তুনা গভর্ণমেন্টনা প্রপোজ তৌরিবা পেন্সন রিফোর্মশিংগী থৌরাং হন্দোক্লবা দিমান্দ তৌখ্রে হায়না লৈবাকপোকপা নুমিত্তা ইন্টরিয়র মিনিষ্ট্রিনা ফোঙদোরক্লি।

অদুম ওইনমক ফ্রান্সকী খ্বাইদগী চাওবা য়ুনিয়ন ওইরিবা সি জি টিনা হায়রি, মদুদি থবক্তগী পোত্থাবগী চহী ৬২ দগী ৬৪ দা হেনগৎহনগদৌরিবা পেন্সন রিফোর্ম অদুগী মায়োক্তা চত্থরক্লিবা জেনরেল মোবিলাইজেসনগী হুন্নি চনবা নুমিত্তা থোক্লকখিবা মী মশিং মিলিয়ন ২গী মথক্তনি। মমাঙদা জনুৱারী ৩১ দা লৈবাক শীন থুংনা চত্থখিবা দিমোন্সট্রেসনদা শরুক য়াখিবা মীওইশিংগী মশিং মিনিষ্ট্রি অসিনা ১.২ নি হায়না পাখিবদা সি জি টিনদি প্রোটেষ্টরশিংগী মশিং ২.৮ নি হায়না লাউথোকখিবনি।

দিমোন্সট্রেটরশিংগী মশিং ৫৭,০০০ নি হায়না মিনিষ্ট্রি অসিনা লাউথোরকখিবা পেরিস সিটিদা প্রোটেষ্টরশিং তানখায়নবা হোৎনবদা পুলিস ফোর্সশিংনা টিয়র গ্যাসশিং কাপখিবগা লোয়ননা মীয়ামগা পুলিসকা খুৎ থোক্লবা ফাওবা য়াওখি।



নুমিদাংৱাইরম পুং ৬ রোম তারকপা ফাওবদা মীওই ১৭ পুলিসনা ফাখি। মান্নবা মওংদা মমাঙগী জেনরেল মোবিলাইজেসন অনীদা পব্লিক সেক্টর কয়াগী ৱার্করশিংনা ষ্ট্রাইক চত্থখি। অদুম ওইনমক ষ্ট্রাইক অদুদা শরুক য়ারিবশিং অদুগী মশিং মমাঙদা জনুৱারী ৩১ দা ওজাশিং অমদি পব্লিক সর্ভিসেসকী মীওইশিংগী মশিং অদুদগীদি হন্থখি। লৈবাকপোকপা নুমিত্তা দিমোন্সট্রেসনশিং অদুনা রেল ট্রাফিক্তা অকায়বা থোকখি। ফ্রেন্স নেসনেল রেলৱে কম্পেনি (এস এন সি এফ) কী এমপ্লোয়িশিং রিপ্রজেন্ট তৌরিবা য়ুনিয়ন অনীনা হায়রি, মদুদি ষ্ট্রাইক অদু য়ুমশকৈশ নুমিৎ ফাওবা চত্থগনি। ষ্ট্রাইক অদুনা মরম ওইরগা হাই-স্পিদ টি জি বি ট্রেনশিংগী শরুক অহুম থোকপগী অমা রিজনেল অমসুং ইন্টর সিটি ট্রেনশিংগী তঙ্খায় অমদি কেন্সেল তৌরগনি।

ফ্রেন্স মল্টি নেসনেল ইলেক্ট্রিসিটি কম্পেনি (ই দি এফ) না হায়রি, মদুদি লৈবাকপোকপা নুমিৎকী নুমিৎয়ুংবা মতম ফাওবদা এমপ্লোয়ি অপুম্বগী চাদা ৩০ হেন্না ষ্ট্রাইক অদুদা শরুক য়াখি। এজিটেসন অদুনা লৈবাকপোকপা নুমিৎকী অয়ূক ফাওবদা ইলেক্ট্রিসিটি প্রদক্সনদা চাওনা শোকহনখিবনি।

সি জি টিগী মতুং ইন্না টোটেল ইনর্জিসতা মোবিলাইজেসন য়াম্না কনখি। টোটেল ইনর্জিসকী সাইটশিংদগী পেট্রোলগী প্রদক্টশিং য়েন্থোকপগী থবক্তা অকায়বা থোকখ্রবসু গ্রুপ অদুগী সর্ভিস ষ্টেসনশিংদা ফ্যুএল ৱাৎপগী প্রোব্লেম লৈতে হায়না কম্পেনি অসিগী মেনেজমেন্টনা ফোঙদোকখি।

জোইন্ট ষ্টেটমেন্ট অমদা য়ুনিয়ন ৮ না মীয়াম পুম্বদা থাংজ নুমিত্তা অমুক্কা হেন্না মী মশিং য়াম্না গভর্ণমেন্টগী থৌরাং অদুগী মায়োক্তা দিমোন্সট্রেসন চত্থনবা আপিল তৌখি।

# ওফেন্সিবকী মাঙওইননা রসিয়ন ট্রুপশিং ইষ্টর্ন য়ুক্রেনদা থাখ্রে

কিভ, ফেব্রুৱারী ৮ (এজেন্সী): মোস্কোনা ফেব্রুৱারী ১৫ দা পাঙথোক্লবা থৌরাং তৌরিবা ওফেন্সিব অমগী শরুক ওইনা লানগী চৈথেং চাওনা নঙলিবা লৈবাক অসিগী নোংপোক থংবা লমদমদা রসিয়ন ট্রুপশিং লেপ্তুনা থাজিল্লক্লি হায়না টোপ য়ুক্রেনিয়ন ওফিসল অমনা ফোঙদোকখ্রে।

ইষ্টর্ন লূহান্স রিজনগী গভর্ণর সেরহি হাইদাইনা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা ফোঙদোকখিবদা ঐখোয়গী মায়কৈ তম্না অহেনবা রসিয়ন রিজর্বশিং লেপ্তুনা দিপ্লোই তৌরক্লি। য়ুক্রেনগী নোংপোক থংবা ফ্রন্টলাইনশিং থুগায়নবগী পান্দমগা লোয়ননা মোস্কোগী লান অসিদা হৌখিবা থা খরা অসিদা রসিয়ন রিজার্ব ট্রুপ ৩০০,০০০ রিক্রুট তৌখি।

য়াম্না মরু ওইবা সিটি অমা ওইরিবা বাকমুট পায়শিনবনা রসিয়ন ফোর্সশিংবু হেন্না চাওবা সিটিশিং ওইরিবা ক্রামাটোপস অমসুং স্লোবিয়ন তম্না চঙশিনবদা খুদোংচাহনগনি।

হাইদাইনা মখা তানা হায়খি, মদুদি রসিয়নশিংগী থা অনীগী ট্রেনিংগী মতম লোইশিল্লকপগা লোয়ননা মোস্কোনা মখোয়বু অনৌবা ওফেন্সিব অমা চত্থনবগীদমক ফ্রন্ট লাইনশিংদা ট্রান্সফর তৌনবা হোৎনবদা নুমিৎ তরানিরোম লৌবা মথৌ তাগনি।

লুহান্স রিজনদা মখোয়না টাউন অহুম হায়বদি বিলো পোরিবকা, ক্রেমিনা অমসুং সবাটোবেদা টার্গেট তৌরকপা য়াই হায়না মহাক্না সজেসন পীখি। মোস্কোনা য়ুক্রেনদা লান্দারিবা অসিগী চহী মপুং ফারকপগা মরী লৈননা ফেব্রুৱারী ২৪ দগী হৌদুনা রসিয়নশিংনা অচৌবা ওফেন্সিব অমা চত্থরকপা য়াই হায়না য়ুক্রেননা ৱার্নিং তৌদুনা লাকখিবনি।

# সাউদি দিপ্লোমেটশিং কাবুল থাদোকখিবদগী অতৈসু পাক্তক্লনা চৎনখ্রগদ্রা হায়বগী অকিবা লৈরে

কাবুল, ফেব্রুৱারী ৮ (এজেন্সী): সেক্যুরিটিগী ফিভম লুশিল্লক্লে হায়রদুনা সাউদি দিপ্লোমেটশিং অফঘান কেপিটেল কাবুল থাদোকখ্রবা মতুংদা য়ামদ্রবদা অতৈ লৈবাক অহুমসু মতম শাংনা লানগী চৈথেং নঙলক্লবা লৈবাক অসিদা লৈরিবা মখোয়গী এম্বেসিশিং থিংজিন্নবা থৌরাং তৌরম্বা য়াই হায়বগী অকিবা লৈরে হায়রি।

অমরোমদা, টালিবান গভর্ণমেন্ট অমসুং অতৈ ওফিসলশিংনদি অসিগুম্বা রিপোর্টশিং রিজেক্ট তৌখ্রে। সাউদি অরাবিয়ানা কাবুলদা লৈবা লৈবাক অসিগী দিপ্লোমেটিক ষ্টাফ লৌথোকখ্রে হায়বসি অফঘান টালিবান ওফিসল অমনা কনফার্ম তৌখি। অদুম ওইনমক সাউদি দিপ্লোমেটশিং অদুনা এম্বেসি থাদোকপগী মরম পীরদুনা মখোয় চয়োল অমা চত্থগদবা ট্রেনিং অমগীদমক কাবুল থাদোক্লিবনি হায়না



ঐখোয়দা খঙহল্লকপা লৈ হায়নসু ওফিসল অদুনা ফোঙদোকখি।

সাউদি অরাবিয়ানা মতম খরগী ওইনা ষ্টাফ লৌথোকখ্রবা মতুংদা কাবুলদা লৈরিবা য়ুএই, কটারি অমসুং রসিয়ন মিশনশিংসু ক্লোজ তৌরবা য়াই হায়বা রিপোর্ট খরা ফোঙনখিবনি। অদুম ওইনমক য়ু এ ইগী মিশন ক্লোজ তৌবগা মরী লৈনবা তোকঙাশিং অফঘান ওফিসল অসিনা য়াখিদে।

মহাক্না হায়খি, মদুদি কাবুলদা য়ু এ ইগী এম্বেসেদর লৈত্রবসু এম্বেসি অদুদি হৌজিকসু দিপ্লোমেট কয়ানা চল্লাইরি।

চৈরকসিদা কটারগী ফোরেন মিনিষ্টরগী স্পিসল এনভোই মুটলাকবিন মাজেদ অল অটানিনা নোংমাইজিং নুমিত্তা টালিবান মিনিষ্টরশিংগা উন্নদুনা অফঘানিষ্টানগী মরু ওইবা দিভলপমেন্টশিং মরু ওইনা পোলিটিক্স, ইকনোমিক, দিভলপমেন্ট অমসুং ইরিগেসনগী মতাংদা খন্ন-নৈনখ্রে হায়না মেদিয়া রিপোর্টশিংনা হায়রি।

রসিয়াগী সেনিয়র ওফিসল অমনসু কাবুলদা লৈরিবা রসিয়ন দিপ্লোমেটিক মিশন থিংজিন্নবা থৌরাং তৌবা লৈতে হায়না নিংথৌকাবা নুমিত্তা নৌহৌননা ফোঙদোকখি।

য়ুএস অমসুং য়ুরোপকী লৈবাকশিংনা কাবুলদা হৌজিক ফাওবদা অমুক হন্না মখোয়গী এম্বেসিশিং হাংলিবা ওইরবসু পাকিষ্টান, রসিয়া, চাইনা, টর্কি অমসুং ইরান অসি মখা তানা কাবুলদা দিপ্লোমেটিক মিশনশিং থল্লিবা লৈবাক খরনি। কাবুলদা লৈবা পাকিষ্টান এম্বেসিগী ছোর্সশিংনা অফঘান কেপিটেল অসিদগী দিপ্লোমেটশিং লৌথোকপগী তোকঙা রিজেক্ট তৌখি।

# হেলোৱিন ট্রেজিদিগা মরী লৈননা সাউথ কোরিয়াগী পার্লিয়ামেন্টনা ইন্টরিয়র মিনিষ্টর ইম্পিচ তৌবদা য়ানখ্রে

সিওল, ফেব্রুৱারী ৮ (এজেন্সী): হৌখিবা চহীগী ওক্তোবরদা সিওলগী ইটেৱোন নৈবরহুদতা পাঙথোকখিবা হেলোৱিন সেলেব্রেসন মনুংদা তিল্লিবা মীয়াম অমগা অমগা নেৎশিন্নবা অমদি ইন্নবদা মীওই ১৫৯ শিখিবা শাথিরবা থৌদোক অদুগী থৌদাং ইন্টরিয়র মিনিষ্টর লি সাং-মিননা লৌফম থোকই হায়রদুনা মিনিষ্টর অসিবু ইম্পিচ তৌননবা সাউথ কোরিয়াগী পার্লিয়ামেন্টনা য়ুমশকৈশ নুমিত্তা ৱারেপ লৌখ্রে।

এজেন্সিগী রিপোর্টনা হায়, ম্যেন লিবরেল ওপোজিসন দিমোক্রেটিক পার্টি (দি পি) না দোমিনেট তৌবা নেসনেল এসেমব্লিদা ভোট লৌনবদা লিবু ইম্পিচ তৌবগী ৱাফম মেম্বর ১৭৯ না শৌগৎখি। মেম্বর ১০৯ না ইম্পিচমেন্টগী মায়োক্তা ভোট পীখি। ভোট মঙাদি ইনভেলিদ ওইখি।

দিপি অমসুং মাইনর লিবরেল পার্টি অনীনা প্রপোজ তৌখিবা ইম্পিচমেন্ট মোসন অদুগী ফেবরদা নত্ত্রগা মদুগী মায়োক্তা কন্সটিট্যুস্নেল কোর্টনা রুল্লিং পীদ্রিবা ফাওবা মিনিষ্টর লি দ্যুটি পায়হন্দনা লৈহনগনি। মসি সাউথ কোরিয়াগী য়ুনিকেমিরেল পার্লিয়ামেন্টকী পুৱারীদা কেবিনেট মেম্বর অমবু ইম্পিচ তৌবা অহানবনি।

মীশি মীনা কয়া থোকখিবা শাথিরবা থৌদোক অদুগা মরী লৈনবা রেস্পোন্স অদু য়াম্না মতিক চাদে হায়রদুনা লিবরেল লো মেক্করশিংনা কঞ্জার্বেটিব গভর্ণমেন্টবু ক্রিটিসাইজ তৌখি। মীনা শোয়বদগী থোকখিবা দিজাষ্টর অদুগী মতাংদা নুমিৎ ৭৪ নি চুপ্না চত্থরকখিবা প্রোব হৌখিবা থাদা লোইশিনখিবগা লোয়ননা স্পিসল পুলিস ইনভেষ্টিগেসন টিম্না গভর্ণমেন্ট ওফিসল ২৩ প্রোফেস্নেল নেগ্লিজেন্স অমদি অতৈ চার্জশিংগা মরী লৈননা প্রোজিক্যুসন চত্থনবা রিফর তৌখি।

# ‘থবক ফঙলক্তবদগী সব-সহরান অফ্রিকাদা ভাইওলেন্ট এক্সট্রিমিজম হেনগৎলক্লি’

য়ুএন, ফেব্রুৱারী ৮ (এজেন্সী): সব-সহরান অফ্রিকাদা মীওই কয়ানা ভাইওলেন্ট এক্সট্রিমিষ্ট গ্রুপশিংদা য়াওবগী মরু ওইবা ফেক্তরদি থবক ফঙলক্তবা অসিনি হায়না য়ুএনদিপিগী রিপোর্ট অমনা হায়রি।

‘জর্নি টু এক্সট্রিমিজম ইন অফ্রিকা পাথৱেজ টু রিক্রুটমেন্ট এন্দ দিসএনগেজমেন্ট’ হায়না মমিং থোনবা রিপোর্ট অমনা রিক্রুটমেন্টগী মরু ওইবা ফেক্তরশিং ওইনা শেল থুমগী ওইবা মরমশিংনা খ্বাইদগী মরু ওইনা পল্লি।

য়ুএনদিপিগী এদমিনিষ্ট্রেটর অচিম ইষ্টারনা রিপোর্ট অদু লোঞ্চ তৌবগী থৌরমদা ৱা ঙাঙলদুনা হায়খি, মদুদি ইনকম, থবক্কী খুদোংচাবা অমদি হিংনবগী পাম্বৈশিং ৱাৎলকপা অসিনা মরম ওইদুনা মীয়াম্না মখোয়দা উৎলক্লিবা খুদোংচাবশিং খুদক্তা লৌনবা হোৎনৈ। রিক্রুটশিং অদুগী চাদা ২৫ রোম্না মখোয়না অদুগুম্বা গ্রুপশিংদা য়াওবগী মরু ওইবা মরমদি অতৈ থবক্কী খুদোংচাবশিং লৈরক্তবা অসিনি হায়খি।

চাদা ৪০ না মখোয় রিক্রুটমেন্টগী মতম অদুদা নোংমদা চঙদবা য়াদ্রবা পোৎলমশিং ফাওবা ফংননবগী পাম্বৈশিং থীবা ঙল্লক্তবদগী খোঙথাং অদু লৌখৎখিবনি হায়না ফোঙদোরকখি।

এজেন্সিগী রিপোর্টনা হায়, কুমজা ২০২১ দা টেররিজমগা মরী লৈননা মালেমদা শিখিবা মীওইশিংগী অপুনবা মশিংগী তঙ্খায় অমরোমদি সব-সহরান অফ্রিকাদা থোকখিবগা লোয়ননা লমদম অসি ভাইওলেন্ট এক্সট্রিমিজমগী অনৌবা ইপিসেন্টর ওইরকখি। বুরকিনা ফাসো, কেমরুন অমসুং চাদ য়াওনা লৈবাক নিপানদা মীওই ২২০০ রোম ইন্টরভিয়ু তৌখিবনি। ইন্টরভিয়ু তৌখিবশিং অদুগী মনুংদা মশানা য়ানা নত্ত্রগা নম্ফুদা ভাইওলেন্ট এক্সট্রিমিষ্ট গ্রুপশিংদা য়াওখিবা মীওই লিশিং অমা হেন্না য়াওখি।

থবক ফঙদবগী প্রোব্লেম অসি এক্সট্রিমিষ্ট গ্রুপশিং অদুগী মেম্বরশিংগী শরুক মরি থোকপগী অমরোম্না মরু ওইবা ফেক্তর ওইনা পনখিবগা লোয়ননা কুমজা ২০১৭ দা ফোঙখিবা য়ু এন দি পিগী মমাঙগী অদুদগী চাদা ৯২ হেনগৎখি।

ভোলুন্টরি রিক্রুটশিংগী চাদা ৮৮ না থোইদোক হেন্দোকপা থৌদোক্লি হায়না মখোয়না লৌখিবা থৌদোক অমনা মরম ওইদুনা মখোয় ভাইওলেন্ট গ্রুপশিং অসিদা য়াওনবা সাইন তৌখিবনি হায়না ফোঙদোরকখি।

চাদা ৭১ না মখোয় ওৎ-নৈবা কা হেন্না চত্থরকপদগী মরু ওইনা গভর্ণমেন্টকী কা হেনবা থবক থৌওংশিংনা মরম ওইদুনা গ্রুপশিং অসিদা য়াওখিবনি হায়রকখি হায়না রিপোর্ট অদুগী মেন ওথর নিরিনা কিবলাগটনা ফোঙদোকখি।

মীওইশিং অদুনা পনখিবা থোইদোক হেন্দোকপনি হায়না থৌদোকশিংগী মনুংদা মপাবু ওথোরিটিশিংনা ফাখিবা নত্ত্রগা মচিন মনাওশিং নেসনেল মিলিটরি ফোর্সশিংনা নম্ফুদা ফাখিবনচিংবা য়াওখি।

ওফিস ওফ দি
ইম্ফাল ম্যুণিসিপাল কোর্পোরেসন
ꯈꯪꯍꯟꯕ/ খঙঞ্জবা
তাং ০৮/০২/২০২৩

No. IMC/24/RO/3-Market/2020: খঙহঞ্জবা G20 summit কা মরী লৈননা ইমা কৈথেল ৩ (অহুম) অসিবু লুনা-নান্না ফজনা থম্নবগীদমক্তা রঙ থাবা, অকে-অমৌগী থবক চত্থবা মরম্না, ইমা কৈথেল নম্বর ১ (লৈমরেল সিদবী ইমা কৈথেল) অমসুং ইমা কৈথেল নম্বর ৩ (ফৌওইবী ইমা কৈথেল) অসি লাক্লিবা তাং ৯-২-২০২৩ অসি কৈথেল হাংলরোই। মরম অদুনা কৈথেল ফম্বা লাকপীগনু হায়না Imphal Municipal Corporation গী মায়কৈদগী কৈথেল ফম্বীরিবী ইমা-ইবেলশিংদা খঙহঞ্জরি।

Sd/- Ksh. Gyanendra Singh
Asstt. Municipal Commissioner
Imphal Municipal Corporation

HL-B/8013/9